হুইয়েন লানপাউ

ইন্দিয়াদা থাইলেন্দগী এম্বেস্সেদর ওইনা লৈরিবা হিজ এক্সলেন্সি মিষ্টর চুটিনটোর্ন গোনগাকদিনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন উনবগী শক্তম

উরিপোক শেমগৎ-শাগৎপা অপূনবা লূপ, উরিপোক কাংচুপ রোদনা শীন্দুনা লূপ অসিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঈ কৎপগী কেম্প

জি জিতেশ্বর অমসুং অতে মীওই মরিগী মীহাৎ থিগৎপীনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী মাল্লংদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম

সেকেন্দ এম আরগী আর্মসকোটতগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ মাঙখিবগী ৱাথোক্তা ফারবা কে আর এগী চ্যেরমেন কোর্টতা পুথোরকপগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.155 লৈবাকপোকপা, থৱান ১৭ নি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, August 28, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৬.১৬

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৭.৬৯

যু সী এমগী মখা তাবা খোঙজংশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ : যুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (যু সী এম) না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাখায় অসিগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন হোম এফ্যেরসনা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখিবা রিপোর্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইবা ষ্টেট লেভেল সেমিনার অমা শীন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না যু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল লম্ফেলদা লৈবা যু সী এমগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা সুনিল করাম্না মখা তানা হায়খি, সেমিনার অসি তৌগ-দৌরিবা মফম অমদি মতম কোন্না লাউথোক্কনি। ঙসি অসি যু সী এমগী ইমর্জেন্সি মিটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। ষ্টেট লেভেল সেমিনার অসিদা তোঙান তোঙানবা রিছোর্স ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৭.৬৫ °C	২৩.৯১ °C
চান্দেল	২৯.৬১ °C	১৯.৬৬ °C
সীসীপুর	২৮.৬৮ °C	২১.৫১ °C
ইম্ফাল	২৭.১৮ °C	২৩.০০ °C
সেনাপতি	২৬.৩৩ °C	১৮.০০ °C
তমেংলোং	৩০.২০ °C	১৯.৫৯ °C
থৌবাল	২৬.৬৭ °C	২২.১০ °C
উখ্রুল	২১.০৭ °C	১৬.৯২ °C
মণিপুর	৩০.২০ °C	১৬.৯২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.৬৬ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৪

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৮

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.482204
US Dollar	70.145122
British Pound	90.127466
Australian Dollar	51.300951
Chinese Yuan Renminbi	10.277503
Japanese Yen	0.631341
Malaysian Ringgit	17.097334
Norwegian Krone	8.397289
Singapore Dollar	51.341476
South Korean Won	0.063012
Swedish Krona	7.683094
Turkish Lira	11.209218
Myanmar Kyat	0.04596
Bangladesh Taka	0.83954

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30545.45
Mumbai	–	Rs 31090.91
Delhi	–	Rs 31229.95
Kolkata	–	Rs 31443.85

HL POLL

Q : Urea fangdabagi wathokta mari leinaba minister kanthoklaga Officer suspend touba chummi haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Agriculture Department ki Urea peifam loumeesingna thugaikhibadu chummi haina khanbra?

Yes 86% No 14%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অস! লোইরেহে!

মীয়াম্না যাবা ঐনি,
টর্ম ৫ হেরো ওইখিগনি...!

ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯑꯩꯅꯤ,
ꯇꯔꯝ ꯵ ꯍꯦꯔꯣ ꯑꯣꯏꯈꯤꯒꯅꯤ...!



লীলাগী নিংথৌগুম্বনি কাউরমাল্লে !

ꯂꯤꯂꯥꯒꯤ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯨꯝꯕꯅꯤ ꯀꯥꯎꯔꯝꯂꯦ!

কে আর এগী চ্যেরমেন নুমিৎ মাপননি পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে

নোংমৈ মাঙবগী কেসতা এম এল এ ফাবগা কোংগ্রেসকা মরী লৈনদে : রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): সেকেন্দ এম আরগী আর্মসকোটতগী নাই এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙখিবগী কেসকা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না ফাখ্রবা কুকি রেভল্যুসনরি আর্মি (কে আর এ)গী চ্যেরমেন দেবিদ হংশিং ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্টতা লৈবা স্পেসল জজ এন আই কোর্টতা পুথোক্লবা তুংদা নুমিৎ মাপননিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, কে আর এগী চ্যেরমেন দেবিদ হংশিং থা অসিগী ২৪ গী নুংথিল পুং ৩.২০ রোম তাবা মতমদা এন আই এগী টিম অমনা ইম্ফালগী কবো লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ুমদগী ফাখিবনি। মহাক ফারগা ৱাহং পাউহং চথুরবা মতুংদা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল তরুক অদু এন আই এনা ফাগৎপা ঙমখিবনি। অদুবু পিষ্টোল তরুক অদুগী মনুংদা মঙাদি অনীশুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী দিজি পুল আর্মসকোটতগী পিষ্টোল ৫৬ অমদি মেগজিন ৬৮ মাঙখিবগী মনুংদা য়াওবা নম্বরগী মনুংদা চল্লে। অদুগা পিষ্টোল অমদি নম্বর মুৎখিবদগী মাঙখিবা নোংমৈনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অমরোমদা, অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী আর্মসকোটতগী নাইন এম এম পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙবগী কেসকা মরী লৈননা এম এল এ ফাবা অসি কোংগ্রেস পার্টিগা মরী লৈনদে হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ট্রেজরর ওইরিবা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, নোংমৈ মাঙবগী কেসকা মরী লৈননা এন আই এনা হৌজিক-হৌজিক থিগৎপগী থবক চথুরিবনি। লো হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী মথক্তা লৈবনি। নোংমৈ মাঙবগী কেসকা মরী লৈননা এম এল এ ফাবা অসি কোংগ্রেস পার্টিগাদি মরী লৈনদে।

এম এল এ ফাবগী মতাং অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মায়কৈদগী এম পি সী সীদা চে ইরকপা লৈখ্রে। ফাবগী অয়াবা পীরে হায়না নোটিস থারকখিবনি। এ আই সী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

বি জে পিগা চৎমিন্নবা পার্টিশিংগী মনুংদা এন ঈ আই দি পি য়াওখ্রে

বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পূনশিন্নরগা মীখল থেংননবা থৌরাং লৈরে : এন বিরেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): লোক সভা মীখলগী থৌরাংশিং হৌরকপগা লোয়নননা ষ্টেটসিদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী মনুংদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি)সু য়াওরে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, লোক সভা মীখলগী থৌরাংশিং তৌরি। নেসনলগী ওইনসু বি জে পিগা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা চৎমিন্নরি। ষ্টেট অসিদসু তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগা বি জে পিগা চৎমিন্নরি। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা এন ঈ আই দি পি য়াওনা বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগা পুন্দুনা মীখল থেংনমিন্ননবা লেপ্লরি।

বি জে পিনা কম্মিটমেন্ট লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা চৎমিন্নৈ। এন ঈ আই দি পি অসি কম্মিটমেন্ট লৈবা অমদি য়াম্না ইনোভেটিব ওইবা পার্টি অমনি। নহাশিংবু নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং কয়াসু লৌরিবা পার্টি অমনি। পার্টি অসিগী থবক থৌরমশিং অসি য়েংলগা বি জে পিগা পূন্না চৎমিন্ননবা লেপ্পবনি। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী মায়কৈদগী এপ্রোচ তৌবদা এন ঈ আই দি পিনা য়ারকখিবনি।

ঙমখৈ কন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ঙমখৈ অদুগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম্বু মশা মশাগী শেন্থোক লৈহন্দুনা নুংঙাইনা হিংহনবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক থবক কয়া পায়খৎলক্লি। বি জে পিদি কম্মিটমেন্ট লৈবা পার্টি অমনি। চীন্না অমা থবক্লা অমা তৌবা পার্টি নত্তে। বি জে পিগীদি কম্মিটমেন্ট লৈনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকই। ঙমখৈগী মতাংদসু কায়হল্লোই হায়না কম্মিটমেন্ট পীবা ঙম্বা পার্টি অমনি। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা এন ঈ আই দি পিগা চৎমিন্নদুনা মীখল থেংনমিন্নরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এন ঈ আই দি পিগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ এলাংবম ব্রোজেন্দ্রনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু কয়া অসিদা পোলিটিকেল পার্টিনা তোর্ব্বান ৱাংমা-ৱাংমা লেপ্পরগা লাউনবগী মওংদা লৈবা চুল্লোই। রুলিং অমদি ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা ইস্যুশিং অসি নীংথিনা থেংনমিন্নবা চঙই। য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক ঐখোয় অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী মনুংদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

অথৌবা হাইপৌ জাদোনাং মশক থোকপা লুচিংবনি : কোরকোম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ : অথৌবা হাইপৌ জাদোনাং জেলিয়াংরোং ফুরুপপু মীকপ থোকহনবীরম্বা মশক থোকপা লুচিংবনি হায়না কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর (কংলৈপাক) দা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা খুন্দামিন্নরক্লিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা লমদমসিগী পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা মতমদুগী লোইলম শন্দে-ৱকপা বৃটিশ লোইলম লৈঙাকখাদগী মীনাই য়োক্লিং থদৎতুনা নীংতম্বগী ঈহৌ চঙশিনখিবা তাঙ্ককশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি অহানবা নুপী লাল (১৯০৪), থৌবাল লাল (১৯১৩), কুকি নীংতম লাল (১৯১৭-১৯১৯), জাদোনাংগী ঈহৌ হায়না মীয়াম্না খঙনখিবা জেলিয়াংরোং মুভমেন্ট (১৯২০ গী তাঙ্কক), অমদি অনীশুবা নুপী লাল অসিনচিংবনি।

বৃটিশকী মায়োক্তা মতম অদুদা চঙশিনখিবা লৈবাক মীয়ামগী ঈহৌশিং অসি লমদমসিগী লোইলমগী লীচৎ চেনবা অমসুং মীরৈবাক্কী লোইলমগী ৱাঙুলোন নৈনবশিংনা কাঙলূপ নাইবা মওংদা লান্না ইশিন্দুনা থন্বীরম্বদগী ঙসি ফাওবদা অপূনবগী ওইবা পুৱারী অমা ওইহনবা ঙমদনা লৈরি। পীক্লবা চীংলৈবাক মণিপুর (কংলৈপাক) দা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ফুরুপ মচা-মচাশিং অসিগী তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈজরবসু মখোয় পূন্নমক্কী হৌরক-ফমদি অমখক্তনি হায়বদুদি লমদমসিগী ফুরুপ পূন্নমক্কী চীঙ্খাং ৱারী অমসুং অইবা পুৱারীনা ময়েক শেংহল্লি।

বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা লান্থেং চথুখিবা অমদি জেলিয়াংরোং ফুরুপকী অপূনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনরম্বশিংগী মরক্তা অথৌবা হাইপৌ জাদোনাংসু অমনি। লুচিংবা অসিগী ৮৭ শুবা লৈখিদবগী কুমওন লাকপসিদা মহাক্না কথোকপগা লোয়ননা জেলিয়াংরোং ফুরুপকী-দমক্তা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু অমুক নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। কুমজা ১৯২৭ দা হাইপৌ জাদোনাংনা জেমৈ, লিয়াংমৈ অমসুং রোংমৈ হায়রিবা মণিপুর (কংলৈপাক)গী নোংচুপ থংবা তমেংলোংগী লমদম, নোর্থ কছার অমসুং নাগালেন্দগী শরুক খরদা খুন্দারিবা অপীকপা ফুরুপ মচা অহুম অসি পূনশিল্লগা জেলিয়াংরোং মীয়ামগী অপূনবা পোলিটিকেলগী পাঙ্গল অমা শাগৎপগী য়ুম্ফম থোনবা হৌখি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ১৯০৫ দা তমেংলোংগী কম্বীরোন খুন্দা থিয়ুদাই অমসুং তবোনলিয়ু অনীগী অনীশুবা মপারী ওইনা জাদোনাংবু ফংজখি। লাইবক থীবদি মণিপুর (কংলৈপাক) ইমাগী তাঙলবা মপারী অসিগী পোকপগী নুমিৎতি ঙসি ফাওবা তাংদাংবা অমা খঙবা ঙমদনা লৈরি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ৱাখল লৌশিং চঙখোনবা লাইনিং-লাইশোলদা চেৎনা থাজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। জাদোনাংগী ইনখৎলকপা পূন্সিগী তাঙ্কক অসিদা মহাক্কী ফুরুপকী মচিন-মনাওশিংগী মরক্তা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎপা ঙমদদুনা মচোই-মচোই লৈবা, মহাক্কী ফুরুপশিংনা মখোয়গী ফুরুপ অমা ওইবগী লৈফম থোকপা অশেংবা মশক করিনো হায়বা খঙবা ঙমজদবগী শক্তমনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী থৌশিলনা মণিপুর (কংলৈপাক) গী চীংলম পূম্নমক্তা য়েলহৌ লাইনিং মুথৎতুনা খৃষ্টিয়ন লাইনিংনা কুপশিল্লকপদা নৎতনা মীওৎ-মীনৈ কয়া লেপ্তুনা চথরকখি। অহানবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

লিনকন হাৎখিবগী কেসতা সী বি আইনা কম্মান্দোগী পর্সনেল ২ গী মথক্তা চার্জসিট থাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): ককৱা নাওরেম লৈকায়দগী লাইশ্রম লিনকন এলিয়স নিকোলসন হাৎখিবগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ইন্সপেক্টর অমা অমসুং মহাক্না মতমদুদা খোঙবু ওইমিন্নখিবা রাইফলমেন অমগী মথক্তা চার্জসিট থাগৎলকখ্রে।

সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না চার্জসিট তৌরকখিবা পুলিস পর্সনেলশিং অদুদি, লাইশ্রম লিনকন হাৎখিবগী থৌদোক থোকপা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা এস আই ওইনা থৌ পুরম্বা অদুগা হৌজিক্লা ইন্সপেক্টর ওইরবা নিংথেম্বম ময়াই লৈকায় জিরিবামদগী শাগোপম ইবোতোম্বী অমসুং অহানবা মণিপুর রাইফলস বাবুপারাদগী অনীশুবা এম আরগী রাইফলমেন অজয় প্রকাশনি। পর্সনেল অনী অসিগী মথক্তা আই পি সীগী সেক্সন ১২০-বি আর/দব্লিয়ু ৩০২, ২০১গী মখাদা চার্জ তৌরকখিবনি।

কুমজা ২০১১ গী জুন ২৮ দা ককৱা নাওরেম লৈকায়দগী লাইশ্রম লিনকন এলিয়স নিকোলসন, অপোকপা এল মোধু কৌবা মীওই অমা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকায়দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা হাৎখিবনি। সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না মীহাৎ অসিগী মতাংদা থিগৎলবা তুংদা সী বি আইনা লৌখৎলকপা কেস নম্বর আর সী ১৭(এস)/২০১৮-এস টি এফ সী বি আইগা মরী লৈননা পুলিস পর্সনেল অনীগী মথক্তা চার্জসিট অদু ঙসি চীফ জুদিসল মাজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টতা লানখৎখিবনি।

চার্জসিট অদুদা মরুওইনা পল্লিবা ৱাফমশিংদি, কেস অসিগী মতাংদা চথখিবা ফিল্দ ইনভেষ্টিগেসন, লোকেল পুলিসকী ৱারোলদা অমগা অমগা তায়োন্নবা পোইন্টশিং য়াওই। সী এফ এস এলনা পীবা ক্রাইম সিনগী রিকন্সত্রক্সন রিপোর্ট, পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট, এফ এস এল ওপিনিয়ন রিপোর্টস, এইমসকী মেদিকেল বোর্দকী এক্সপার্ট ওপিনিয়ন অমদি লোকেল পুলিসতগী খোমগৎপা অতে রেকোর্দশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা লোকেল পুলিস কম্মান্দোশিংনা কা হেন্না ফোর্সশীজিন্নখি হায়বা য়াবা মরম অমদি চান্নবা ইভিদেন্স মতিক চানা লৈবগা লোয়ননা থাঙ্গৈশেংনা খুৎ থোক্লখিবা নত্তে হায়বা উৎলি।

মরম অদুনা চার্জসিট অসিদা পল্লিবা ৱাফমশিংদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

য়ুরিয়া ফংহন্দবগী ৱাথোক্তা ওফিসর ১ সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা য়ুরিয়া ফংহন্দে হায়বগী ৱাকৎ কয়ামরুম লাকখ্রবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা খুৎ থিংজিন্দুনা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া ফংহন্নবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা এগ্রিকলচর দিপার্ট-মেন্টকী এসিষ্টেন্ট ফর্টিলাইজর ওফিসর কে কুল্লবিধু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি য়াথং অমা থোকখ্রে। মহাক্লা সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিঙৈগী মনুংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা ইম্ফাল থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং অথেংবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়ল উনদুনা মণিপুরদা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার ফংদবগী ৱাথোক অসি কোকহন্ননবা ৱারী শানখ্রে। নামরুপ্তগী সিলচর ফাওদুনা জিরিবাম ফাওবা য়ুরিয়া চিংবীনবা চীফ মিনিষ্টরনা রেলৱে মিনিষ্টরদা তকশিনখি। মফম অদুদগী নোংমদা ট্রক ৩০/৪০ ইম্ফাল য়ৌননবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

আই এ এস, এম সী এস ওফিসর ২২ ট্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী অৱাংবা ফমথোল পায়রিবা আই এ এস অমসুং এম সী এস ওফিসর ২২না পায়গদবা ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেস বাবুনা থোকখিবা য়াথং চে অমগী মতুং ইন্না ট্রান্সফর তৌখ্রবা ওফিসরশিং অদুদি এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর/রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট) অমসুং মণিপুর ভবন ন্যু দেল্লিগী ও এস দি ওইরিবা এম ঐচ খান আই এ এসপু এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর/রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, ফিসরিজ) অমসুং মণিপুর ভাবন ন্যু দেল্লিগী ও এস দি ও ওইনা; মণিপুর ভাবন ন্যু দেল্লিগী রেসিদেন্ট কম্মিস্নর রাখেস রঞ্জন আই এ এস প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স প্লান্নিং), প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি টু চীফ মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর ভাবন ন্যু দেল্লিগী রেসিদেন্ট কম্মিস্নর ওইনা; প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স/হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের/জি এ দি) অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি টু চীফ মিনিষ্টরবু প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, জি এ দি) ওইনা; ষ্টদি লিভতা লৈখিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎকী অপোকপীনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবা গভর্ণরগী মখোঙ শোক্তুনা খুরুমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০০৯ গী জুলাই ২৩ দা থোকখিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নুংথিল পোবোবতা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপীখ্রবা চুংখাম সঞ্জিৎকী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীবদা তেংবাংবীনবা সঞ্জিৎকী অপোকপী তরাতোম্বীনা গভর্ণরগী মখোঙ শোক্তুনা খুরুমখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা তমথীরবা মীহাৎশিংগী মরমদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না খোঙজেন য়াংনা ইনভেষ্টিগেসন চথহনবীনবা ইভফম, ঐচ আর এ, জি পি এফ, তন্মী-চীংমী, নুপী সমাজ, যু এম ও, নোংপোক লৈঙাক অপুনবা লূপ অমসুং নোংচুপ ইম্ফাল অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী মীওই ১২ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুলা উনদুনা ৱাকৎখ্রে।

মীহুৎ কাঙবু অদুদা য়াওখিবা চুংখাম তরাতোম্বীনা গভর্নরগী মখোঙ শোক্তুনা মচানুপা সঞ্জিৎ মীহাৎকী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবিনবা হায়জখি। গভর্নরনা অসিগুম্বা মখলগী মীহাৎ লেপহনবগা লোয়ননা মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদসু অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা মপুং ফানা মতেং পাংগনি হায়না মীহুৎ কাঙবু অদুদা থাজবা পীখি। অখন্নবা কেস অসিগী মতাংদা অইবা চেরোল লৈঙাক্তা থারগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

অমরোমদা, এ কে ঝলজিৎ অমসুং সী বি আইগী মরক্তা চথুরিবা কেসতা সঞ্জিৎকী অপোকপী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা চাক্লাম খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) : চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়ন (এমসু)না শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা ৫৩রক শুবা চাক্লাম খোঙচৎ চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু কুমজা ১৯৬৫ গী ওগষ্ট ২৭ তা মহৈরোয়শিংনা চাক তাংবগী মায়োক্তা হৌখিবা ঈহৌদা থৱায় কৎখ্রবা মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৪ লৈখিদবা থৌদোক অদুবু নীংশিংবা ওইনা চৎখিবনি।

পিশুম চীংঙা মচাদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী নীংশিং খূভমদা এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা লুচিংদুনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। মদুগী তুংদা চাক তাংবগী ঈহৌদা লৈখিদ্রবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী দ্রাইভর ৱাইখোম নিলমনি, মহৈরোয় ওইনাম নবকুমার, লাইশ্রম চাওভল অমসুং নামৈরাকপম প্রমোদিনীগী শক্তমশিং পুদুনা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা চাক্লাম খোঙচৎ চৎখি। খোঙচৎ অদু দি এম কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা পন্থুংফম ওইখি।

থৌরম অদুদা এমসুগী হান্নগী প্রদিদেন্ট এ দিজেননা চীফ গেষ্ট; এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা প্রদিদেন্ট অমসুং এমসুগী হান্নগী সেক্রেটরি জেনরেল চুংশাৎ খোঙশাই অমদি এমসুগী হান্নগী ভাইস প্রসি-দেন্ট হৈবোকময়ুম রাফিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V. Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি !

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-P/5255/21/08-20/09